## কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা ফাইনেল চঙখ্রে
# সানিয়া মিরজা-বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা পান পেসিফিক ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ২৪ :
হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা মফম অসিদা চথরিবা পান পেসিফিক ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস সেমী ফাইনেল মেচতা মরিশুবা সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কাবু ৪-৬, ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

অমরোমদা ওপন অসিগী নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী চেক পার্টনর বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা চিনাগী চেন লিয়াং অমদি জাওজুন য়াংবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ওপন অসিগী সিঙ্গলস মেচতা হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা মরিশুবা সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কাবু অকনবা লম্বা তৌদুনা ৪-৬, ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল মেচকীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

চহী তরুক্কী মমাঙদা টোকিয়োদা ৱিন্নর ওইখিবা দেননা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা টোকিয়ো ফাইনেলদা জপানগী নাওম ওসাকাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। ৱোজনিয়াক্কিনা ওপন অসিগী টাইটল লৌবা ঙম্লবদি মহাক্কী কেরিয়রগী ২৪শুবা টাইটল লৌবা ঙম্বসু ওইরগনি।

জপানগী নাওমি ওসাকানা ওপন অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা য়ুক্রেনগী ইলিনা সভিটোলিনাবু ১-৬, ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

ৱোজনিয়াক্কিনা মমাঙ থাগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপনগী সেমী ফাইনেল ফাওবা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিবনি। ৱোজনিয়াক্কিনা মশাগী খুদাং অমদি খুজেংদা অশোকপা লৈখিবদগী শান্নবা ঙমখিদবদগী ৱর্ল্ডগী ৱেঙ্কিংদা ৭৪ শুবা মফমদা কুমথদুনা লৈখি অমদি মহাক্কী অপোকপনা দেনিশকী টেন্নোইদতা মশাগী চহী ২৬ শুবা প্লেয়র অসি টেনিসতগী পোথারগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ওসাকানা মায় পাক্তুনা জপান ওপনগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অসি মহাক্কী দব্লিয়ু টি এগী অহানবসু ওইবা ঙমখি। মশাগী চহী ১৮ শুরবা ওসাকা অসি মমানা জপানিজ অমদি অপোকপনা হাইটিয়নি। মহাক্না সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা মায়োক্নখিবা সভিটোলিনাবু মায়থীবা পীখি।



অমরোমদা ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী চেক্কী জুরা বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা পান পেসিফিক ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী দবলস ফাইনেলদা চিনাগী চেন লিয়াং অমদি জাওজুন য়াংবু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ৱান-সাইদেদ ওইনা চথখিবা মেচ অদুদা ইন্দো-চেক্কী জুরানা মায়োক্নখিবা লম্বাবু মায়থীবা পীখিবদা মিনিট ৫১ চঙখি। টাইটল অসি মবাইনি পুল্লগা শান্নরকপদা ফংবা অনীরকশুবা টাইটলসু ওইরে।

অনীশুবা সীদ অসিনা অনসীদেদ জুরা কনাডাগী গাব্রিলা দাব্রোৱস্কি অমদি স্পেনগী মারিয়া জোজ মার্টিনা সাঞ্চেজবু ৪-৬, ৬-৩, ১০-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। মসিগী টুর্ণামেন্ট অসি সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভা অনীনা পুল্লকপগী অহুমশুবা টুর্ণামেন্টসু ওইখি।

মমাঙ থাদা সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভানা মহাক্কী মমাঙগী জুরা মার্টিনা হিঙ্গিস অমদি কোকো ভান্দেৱেঘেবু সিনসিনাটি ওপনদা ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুন টাইটল লৌখিবনি। অদুম ওইনমক মখোয় অনীনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ষ্ট্রেট সেটতা কারোলিন গার্সিয়া অমদি ক্রিষ্টিনা ম্লাদেনোভিক্কী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি।

### পেস-বেগেমেন্নন সেন্ট পিটরসবার্গ ওপনগী ফাইনেল চঙখ্রে



সেন্ট পিটরসবার্গ, সেপ্টেম্বর ২৪ :
লীএন্দর পেস অমদি মহাক্কী জর্মন পার্টনর এন্দ্রে বেগেমেন্নানা মফম অসিদা চথরিবা সেন্টপিটিরসবার্গ ওপনগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী সেমী ফাইনেলদা মিখাইল ইলগিন অমদি অলেকজেন্দর কুদ্র্যাভ্‌টসেভিনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দো-জর্মন অসিনা রসিয়াগী জুরাবু ৬-৩, ৭-৬ তা মিনিট ৯০ চঙনা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি। পেস অমদি বেগেমেন্নানা টাইটল মেচকীদমক দোমিনিক ইনগলোট-হেনরি কোন্টিনেন নৎত্রগা কোনষ্ট্যান্টিন ক্রাভচুক-এন্দ্রে কুজনেটসেভ অনীগী মরক্তা ৱিন্নর ওইবা অদুগা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নরগনি।

পেস অমদি বেগেমেন্নানা অহানবা সেট অদু খুদোংথীবা অমত্তা থেংনবা তৌদনা য়াম্না লায়না মিনিট ৩৫ দা মায় পাকখি। অদুম ওইনমক রসিয়াগী জুরানা অনীশুবা সেটতা ০-২ দা নেম্না লৈরুরবা মতুং নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা শান্নরকখি। পেস অমদি মহাক্কী জর্মন পার্টনরনা সেট অদু ৭-৫ দা টাইব্রেকতা মায় পাকখি।

পেস-বেগেমেন্ননা ইন্দিয়ন দো পুরাভ রাজা অমদি দিভিজ শরনবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

# লি চোং ৱৈনা জোর্গেনসেনগা মায়োক্নদুনা জপান ওপনগী ফাইনেলদা শান্নরগনি

টোকিয়ো, সেপ্টেম্বর ২৪ :
মালেসিয়াগী বেদমিন্টনগী নিংথৌ লি চোং ৱৈনা মফম অসিদা চথরিবা জপান ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ১৫শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মার্ক জ্বেল্লরবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা মহাক্না জপানিজ টুর্ণামেন্ট অসিদা তরুকশুবা টাইটল লৌননবগী খোঙফম শেমখ্রে।

হৌখিবা ওলেম্পিক অহুমদা সিলভর মেদল লৌখিবা লিনা জ্বেল্লরবু টোকিয়োগী মেট্রোপোলিটান জিম্না-জিয়মদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অদুদা য়াম্না লায়না ২১-১৪, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল মেচকীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিনা টাইটল ক্লাশতা দেনমার্ককী অহুমশুবা সীদ জান ও জোর্গেনসেনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ওপন অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা দেনমার্ককী জান ও জোর্গেনসেননা সাউথ কোরিয়াগী ৬শুবা সীদ সোন ৱান হোবু ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

লিনা জপানিসকী ট্রোফি অসি কুমজা ২০১৪, ২০১৩, ২০১২, ২০১০ অমদি কুমজা ২০০৭ তা লৌখ্রে। মহাক্না চহী অসিগী চথরিবা টুর্ণামেন্ট অসিগী টাইটলসু লৌননবগী পান্দম থল্লিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা য়ুম্বগী ১২ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা অকানি য়ামাগুচিবু সেমী ফাইনেল মেচতা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা চিনাগী সুন য়ুনা কুমজা ২০১৩গী য়োনেক্স ওপন জপানগী অহানবা টাইটল লৌখিবা জপানিজ য়ামাগুচিবু ২১-১৭, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

সুননা নুপীগী টাইটলগীদমক চিনাগী হি বিংজিয়াওগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। নুপীগী টুর্ণামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা হি বিংজিয়াওনা জপানগী অয়া ওহোরিবু ২১-১৭, ২২-২০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

নুপাগী দবলসতা চাইনিজগী জুরা লি জুনহুই অমদি লিয়ু য়ুচেননা ইন্দোনেসিয়াগী জুরা মোহম্মদ অহসান অমদি হেন্দ্রা সেটিয়াৱানবু ২১-১৩, ১৮-২১, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখি।

ইন্দোনেসিয়াগী জুরা মোহম্মদ অহসান অমদি হেন্দ্রা সেটিয়াৱানন কুমজা ২০১৩ গী দবলস টাইটল লৌখিবনি। মায় পাক্লবা চাইনিজগী জুরা অসিনা ফাইনেলদা কোরিয়াগী জুরা কিম জি জুন অমদি কো সুং হয়ুনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

নুপীগী দবলসতা রিও ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌখিবা জপানিজগী জুরা মিসাকি মাটসুমোটো অমদি অয়াকা টাকাহাশিনা কম্পেট্রিওট শিহো টানাকা অমদি কোহারু য়োনেমোটোবু মিনিট ৪৬ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

জপানিজগী জুরা অসিনা ফাইনেলদা রিও ওলেম্পিক্সকী সিলভর মেদলিষ্ট দেনিশকী রাইভেল ক্রিষ্টিনা পেদর্সেন অমদি কামিল্লা রেট্টর জুলগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

পনবা য়াই, রিও ওলেম্পিক্সকী মতুংদা মহাক্কী অহানবা টুর্ণামেন্ট ওইরিবা ৱর্ল্ডগী নিপানশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা কে শ্রীকান্টনা ঙরাং শান্নখিবা জপান সুপর সেরিজ বেদমিন্টন টুর্ণামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ১৫ শুবদা লৈরিবা জমর্নগী মার্ক জৱেল্লরগী মখুৎতা ২১-১৮, ১৪-২১, ১৯-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখিবদগী টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেম্পেন লোইশিনখিবনি।

কে শ্রীকান্টনা নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টরফাইনেল মেচকী গেম অহুমদা মায়থীদ্রিঙৈ মমাঙদা ইচং থৌনা শান্নরমখি অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা জর্মনগী মখুৎতা হায়গৎপা ঙমদনা মায়থীদুনা লৈহৌখিবদগী টুর্ণামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী চেল্লেঞ্জ অদু লোইশিনখি।

ৱর্ল্ডগী নিপানশুবা সীদ অসিনা ৱর্ল্ডগী নম্বর ১৫ দা লৈরিবা মার্ককী মখুৎতা মিনিট ৫৮ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা চি লাউনা ২১-১৮, ১৪-২১, ১৯-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

পনবা য়াই, রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট কিদম্বী শ্রীকান্টনা জপান ওপনগী মেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

শ্রীকান্টনা মেচ অদুদা কম্পেটরিওট অজয় জয়ারামগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা মেচকী তঙ্খায় চল্লকপা মতমদা মশাগী চহী ২৮ শুরবা মুম্বাইদা বেজ তৌবা শট্টলর অসিনা মহাক্কী ওইগী খুজেংদা শোকখিবদগী শান্নদনা তোকখিবদগী শ্রীকান্টনা মায় পাকখি।

জয়ারামনা ওপনিং গেমগী লোইরমদাইদা রিটয়ার্দ তৌখি। গেম অদু শ্রীকান্টগী ফেভরদা ২১-১৬ তা লৈখিবনি। টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ঐচ এস প্রন্নোয়না দেনমার্ককী অনীশুবা সীদ ভিক্টর এক্সেলসেনগী মখুৎতা মিনিট ৪৪ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ১৬-২১, ১৯-২১ দা মায়থীহৌখি।



# আইবানা মসিগী ভাইস-প্রসিদেন্টবু ইন্দিয়ন বোক্সিংগী মীখলগীদমক ওবর্জার্বর ওইনা হাপখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪ : ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) না মসিগী ওসিনিয়া জোনগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ইদগর টান্নরবু ময়াম্না খৌরাংনা ঙাইদুনা লাক্লবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী মুম্বাইদা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা মীখলগীদমক ওবর্জার্বর ওইনা হাপখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ন টান্নরনা মীখল অসিগীদমক ঙসি মুম্বাইদা থুংখ্রে।

টোপ ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন্না ইন্দিয়াগী মীখল অসিগীদমক মরু ওইবদু খঙবগা লোয়ননা মসিগী ভাইস-প্রসিদেন্টপু মীখল অসিবু য়েংশিন্নবগীদমক ওবর্জার্বর ওইনা হাপ্লকপনি। ওবর্জার্বর ওইনা হাপ্লক্লবা ইদগর টান্নরনা থাংজ নুমিৎতা ইন্দিয়াদা থুংলরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন বোক্সিংবু অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবগীদমক ইলেক্সন পাঙথোক্কনবা হৌখিবা চহী খরদগী হেৎনদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা চহী ৪ অসিদা ইন্দিয়ন বোক্সিংগী এদমিনিষ্ট্রেটিব বোদি লৈতবদগী ইন্দিয়ন বোক্সরশিং মনিংদা হল্লকখিবতা নত্তনা কম্পিটিসনশিংসু পাঙথোক্তনা লাকখি। আইবানা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ইন্দিয়াগী নেসনেল ফেদরেসন অমা শেম্ননবা হায়দুনা লাকখ্রবসু থওই-ৱাওইদনা লৈখিবদগী হন্দক্তা নৌনা নেসনেল ফেদরেসন অমা শেমদুনা মীখল পাঙথোক্ননবা লেপখিবনি।

মীখল অসিগীদমক নোমিনেসনশিং ৱিঠদ্রো তৌখ্রবা মতুং প্রসিদেন্টকী ফমগীদমক মীওই অনীখক্না লম্বা তৌনরি। লম্বা তৌনরিবা মীওইশিং অদুদি উট্টরখন্দগী অজয় সিংহ অমদি দেল্লিগী রোহিৎ জেইননি। প্রসিদেন্ট ফম অসিগীদমক হান্না হিমাচল প্রদেশকী রাজেশ ভন্ধারি অমদি হরিয়ানাগী রাকেশ থাকরণনা মীখল অসিদগী ৱিঠদ্রো তৌখিবদগী মীওই অনীখক্না লম্বা তৌনহৌবনি।

অদুম ওইনমক থকরণনা সেক্রেটরি জেনরেলগী ফমগীদমক লম্বা তৌরি। অতোপ্পা সেক্রেটরি জেনরেলগী মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওইশিং অদুদি গোৱাগী লেন্নি দি গামা অমদি মহারাষ্ট্রগী জয় কোৱলিনি। জম্মু কাশ্মিরগী নির্মোলক সিংহদি রেস অসিদগী ৱিঠদ্রো তৌখ্রে। ট্রেজররগীদা মেঘলয়াগী জোন কারহসিংনা ৱিঠদ্রো তৌখিবদগী আসামগী হেমন্তকুমার কালিটানা ট্রেজররগী পোষ্ট ফংখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগী ব্রদর স্বাপন বেনর্জিবু ইষ্ট জোনদগী জোনেল সেক্রেটরি ওইনা খনখি। মমাঙদা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস-প্রসিদেন্ট মঙা অমদি জেনরেল সেক্রেটরি অনী য়েৎনবা য়াওদনা খনখ্রবনি।

ইন্দিয়াদা বোক্সিং মশান্না অসিবু ইন্দিয়ন অর্মেচর বোক্সিং ফেদ্দরেসন (আই এ বি এফ) না থৌ পুরম্বদগী কুমজা ২০১২ গী ইলেক্সনদা মেনিপ্যুলেসন তৌখিবদগী থিংজিন্দুনা থমখিবনি।

মথংগী বোদি অমা ওইনা বোক্সিং ইন্দিয়না কুমজা ২০১৪ দা থৌ পুরল্লবসু চহী ফানা চৎখিদে অমদি ষ্টেট য়ুনিটশিংনা ঈরাং হৌরকপদগী বোদি অদু থূপচিনখি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ইন্দিয়ানা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা বোক্সর অহুমখক থাদুনা শরুকয়াহনখি অমদি মেদল অমত্তা ফংবা ঙমদনা হল্লকখিবনি।

# কিপর গুরপ্রিট সিংহনা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী প্লেয়রশিংগী মনুংদা মতীং লৈবা প্লেয়র ওইগদৌরি



মার্গাও, সেপ্টেম্বর ২৪ :
য়ুরোপা লীগ টাইদা শান্নবা অহানবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল্লর ওইরিবা কিপর গুরপ্রিট সিংহনা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী প্লেয়রশিংগী মনুংদা মতীং লৈবা প্লেয়র ওইগদৌরি।

গুরপ্রিটনা হন্দক্তা মুম্বাইদা শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অরোইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচতা পুর্টো রিকোবু ৪-০ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা কেপ্টেনগী থৌ পুখিবনি। মেচ অদু ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবদগী ফুটবোল মশান্নগী মালেমগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফানা হন্দক্তা থোকখিবা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা হান্না লৈরম্বা মফমদগী হাইগৎলক্তুনা লৈখিবনি।

গুরপ্রিটনা নোরৱেগী ৱেবসাইদতা থাগৎলকখিবা ৱারোলদা হায়, ঐহাকপু স্কাউটিং প্রোগ্রামদা পুশিনবীবগীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ স্পোর্টস এন্দ য়ুঠ এফেয়ার্সপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎলি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপতা লৈবাক অসিগীদমক মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অফবা ঙাক্তা ওইগদবনি হায়বসি ঐসু খঙই। মসিগীদমক মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং মায় পাক্না চঙশিল্লগনি হায়বগী থাজবসু লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

স্কাউটিং প্রোজেক্টপু লুচিংলিবা অভিসেখ যাদভ অসি হান্নগী ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইখিবনি।

গুরপ্রিট সিংহ সন্ধুনা মখা তানা হায়খি, অভিশেখনা লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরম অসি খ্বাইদগী ফবা অমনি। মহাক্না ইন্দিয়াগীদমক হাইয়েষ্ট লেভেলদা শান্নরমখি অমদি ঐখোয়বু খ্বাইদগী ফবা মওংদা শান্ননবগীদমক ঐখোয়গী কয়াম য়াম্না পোটেন্সিয়েল মথৌ তাবগে হায়বদু মহাক্না খঙই হায়না ফোঙদোকখি।

গুরপ্রিটনা নোরৱেগী য়ুরোপা লীগ টাইদা শরুক য়াদুনা এক্সপরিয়েন্স ফংখ্রে। নোরৱেদা ইন্দিয়নশিং মখল-মখাগী একাদেমীশিংদা শান্নরি। মহাক্না মফম অদুদা ইন্দিয়াগী অঙাংশিংনা ভাইলেরেঙ্গা ফুটবোল ষ্ট্রোমগোদসেট আই এফ অমদি অতোপ্পা সেকেন্দ দিভিজনগী ক্লব খরদা শান্নরি হায়না ফোঙদোকখি।

# পি ভি সিন্ধু অমদি সক্ষি মালিকপু হরাউ-তয়াম্না ওকখ্রে

থিরুভনান্থপুরম, সেপ্টেম্বর ২৪ :
কেরলা ষ্টেট স্পোর্টস কাউন্সিল (কে এস এস সি) অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ স্পোর্টস এন্দ য়ুঠ এফেয়ার্স (দি এস ৱাই এ) অনীনা পুন্না খুৎশম্ননা শীন্দুনা রিও ওলেম্পিক্কী মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধু অমদি সক্ষি মালিকপু হরাউ-তয়াম্না ওকখ্রে।

মফম অসিগী হিল গার্লস হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিয়ন অনীবু ওকপগী থৌরম অদুদা মখল-মখাগী স্পোর্টিং আইকোন অমদি য়াম্লবা স্কুলগী অঙাংশিং অমসুং স্পোর্টসপু পামজবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

ওকপগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর, পিনারয়ি ভিজয়ন অমদি স্পোর্টস মিনিষ্টর, ঈ পি জয়ারঞ্জননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিদবদগী সিন্ধু, সক্ষি অমদি মখোয়গী কোচশিং পুল্লেলা গোপীচান্দ অমদি মন্দীপতা পীগদবা কেস এৱার্দ অমদি মেমেন্টোশিং অদু কেরলা ষ্টেট স্পোর্টস কাউন্সিল (কে এস এস সি) গী প্রসিদেন্ট টি পি দাসননা য়েন্থোকখি।

দুবাই বেজ ব্যুজিনেস মেগনেট, মুক্কাদান গ্রুপ ওফ কম্পেনিজগী চ্যেরমেন মুকাট্টু সেবাষ্টিয়ননা স্পোন্সর তৌবা কেস এৱার্দ অদুদা পি ভি সিন্ধুনা লুপা লাখ ৫০ ফংখি। অদুগা সক্ষিনা লুপা লাখ ২৫ ফংখি।

রিও দি জানৈরোদা পাঙথোকখিবা ৩১শুবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা পি ভি সিন্ধুনা বেদমিন্টনদা সিলভর মেদল অমসুং সক্ষি মালিকনা রেষ্টলিংদা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌরকখিবনি।



কোচশিং - গোপীচান্দ অমদি মন্দীপপু ঈকায় খুম্নবা উত্তুনা মথংশিংনা লুপা লাখ ১০ অমদি লুপা লাখ ৫ গী শেনফমশিং কে টি দি সিগী চ্যেরমেন অমদি হান্নগী মিনিষ্টর, এম ভিজয়াকুমারনা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা সিন্ধুনা কেরলা গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট অসিগী স্পোর্টসপু নুংশিবা মীয়াম্না মখোয়বু নুংশিবীদুনা ওকপীবগীদমক থাগৎখি হায়বা ৱাফম থমখি। সক্ষি মালিকনসু কেরলাগী মীয়ামবু থাগৎখি।

কোচ গোপীচান্দনা হায়খি, মেদল ফংবা হায়বসি স্পোর্টসকীদমক্তদি খ্বাইদগী মশক থোকপা অমনি।

স্পোর্টস হায়বসিনা মীয়ামদা পীরিবা কান্নবা অসি য়াম্লে। মসিনা মীওই অমবু লমচৎ- শাজৎ ফহল্লি, সোসাইটি অমবু মশা-মউ ফনা থম্বদা, লৈবাক অমবু মতীক মথৌনা লৈহনবদা অচৌবা মতেং ওইহল্লে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা স্পোর্টসকী দিরেক্টর সঞ্জয়কুমারনা থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। তুংদা সিন্ধু অমদি সাক্ষিনা পোদিয়মদগী কুমথরগা মফম অদুদা তিনখিবা য়াম্লা অঙাংশিংদা ওটোগ্রাফশিং ইখি অমদি মখুৎশিং শোক্লখি। অঙাংশিং অদুগা পুন্না ফোটোসু নমিন্নখি।

অমরোমদা রিও দি জানৈরোদা পাঙথোকখিবা রিও পারালিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা থাঙ্গাভেলু মারিয়াপ্পননা ইরাই নুমিৎতা ময়ুমদা হল্লকখিবদা য়াম্লবা মীয়াম্না হরাউ-তয়াম্না ওকখ্রে। টামিল নাডুগী মিনিষ্টর ফোর স্কুল এদ্যুকেসন, স্পোর্টস এন্দ য়ুঠ ৱেলফ্যোরগী পান্দিয়ারাজন, রুরেল ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর, টি বেঞ্জামিনগা লোয়ননা য়াম্লবা সিনিয়র গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা মারিয়াপ্পনবু এয়রপোর্টতা চত্তুনা ওকখি।

মারিয়াপ্পন্না রিও ওলেম্পিক্সতা টি-৪২ হায় জম্পতা মিটর ১.৮৯ চোংদুনা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি। অদুগা য়ু এস এগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সাম গ্রেৱেনা সিলভর মেদল ফংখিবনি।

### [illegible]/ য়াইফবা মীশিগী মতাংদা শেংদোকচবা

য়াইফবা মীশিগী মতাংদা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৯ দা য়াইফবগী মোবাইল অমা লুপা ৫০০ দা বন্ধোপ থল্লম্বগী মতাংসিদা য়াইফবা হায়রিবা অঙাংসিনা সেপ্টেম্বর তাং ৮ দা থোইসনগী জোব মফমদা লাক্লগা দ্রগ পীগনি হায়দুনা লুপা ৩৬০ পুরগা চৎখ্রগা হল্লক্তরে হায়। মথংগী নুমিৎতা তং ৯ দা থোইহেনগা গাবুঙগা য়াইফবগী ময়ুমদা পৈশা লৌবা চৎখি। নুমিৎ অদুদা য়াইফবগী মোবাইল বন্ধোপ থল্লগা মখোয় পুনমিন্নে, শাওনবা করিসু লৈতে। মথং নুমিৎতা থোইহেননা লুপা ১০০০ লৌবদুগী মতাংদুসু মখোয় পাউ ফাওনখ্রবা মতুং করিসু শাওনবা লৈতে হায়। তাং ১২ দা য়াইফবগা লোয়ননা সিমিত্রিদা মখোয় ময়াম পুল্লি করিসু শাওনদে। নুমিৎ অদুদা য়াইফবা ময়ুমদা হঞ্জিনখ্রবনি। য়াইফবদি মমানা তাং ১৩গী পুং ৪ দগী ময়ুমদগী থোকখিবনি হায়।

মচা হল্লক্তবগী মরমদা হংবদা ঐগী ইচাদি থা অসিগী ১১ দগী মপান থোক্তে হায়না খুম্লগা ফোন থমজিনখি হায়বদুসু লাল্লি। থা অসিগী ১৪ গী নুমিদাংৱাই পুং ৬:৩০ অদুৱাইদা মশক খঙদবা নম্বরদা ফোন তৌরকখি অদুগা নচা করি মমীং কৌবগে হায়না হংলকখি। ঐনা ইচা অনীনে করম্বনো হায়বদা করি করি মমীং কৌবগে হংলকখি। থোইহেন, থোইসন কৌই হায়খি। থোইসন মী পীকপরা হংলকই। করি গাড়ী থৌগে হংলকই। করি মচুনোসু হংলকই। মশকসু খঙদবা মমীংসু খংদবদুগা ময়ুমদগী মচাগা থোকমিন্নখি করম্না হায়রিবনো? থোইসনদি মীসু ৱাংই, থোইসনদি য়াইফবগী ময়ুমদু খঙদে। মমাসু মশক খঙদে হায়। ঐনা হায়বদি তাং ১১ দগী মপান থোক্তে হায়বা নত্তে। তাং ১০ দা ক্লবকী ফাউন্দেসন দে য়াওই। নোংঙাল্লগা তাং ১১সু অয়ুক্তগী নুমিৎতুমা লৈকায়গী পিক্নিক চৎলি। মপা, মখুরা ময়ামসু লোয়নৈ। নুমিদাং হল্লকই। তাং ১২, ১৩ সু য়ুমদা অদুম লৈ হায়না মোবাইলদা ৱারী শানৈ। তাং ১৪ মখোয়না থীবা লাক্লম্মী হায়। মতমদুসু থোইহেন, থোইসন য়ুমদা টেলিভিজন য়েংদুনা লৈবা মখোয়না খঙই। মপানা উনবা নুংঙাইরোই হায়বগী মরমদি অঙাংসি জ্ঞান তাদবনা ঐখোয়সু সেনাপটি চৎপগী হল্লকপদা ঙাইবগী ৱাবগা ৱারী শাবা নুংঙাইরোই হায়বনি। অদু ওইরবসু ইনাওনুপীগা ৱারী ফজনা শানখি হায়। ঐদি মখোয় লাকপা খঙদে। তাং ১৪ গী নুমিৎ অদু ইনাওনুপীনা ইচেম্মদি সেনাপটিদা ওফিস চৎলুরগা হল্লকপদা ঙাইরি ৱারম্মনি অঙাংশিংসু য়ুমদা লৈ হয়েং অয়ুক লাক্লগা ৱারী শাবীয়ুসু হায়খি হায়। মখোয়গী মমানা য়াইফবগী মরমদা অফ-ফত্তগী ৱারী ময়াম শারম্মী হায়। খুয়াথোং পুখ্রিদা অশিবা হকচাং ফংবা মফমদনা থোইসনগা গাবুঙগা লাক্লগা মখোয় অহুম থোকমিন্নখি হায়। মথংদনা থোইসনগা গাবুঙগা য়াইফবগা নাগামপাল শুলাপ মমাংদা চৎহৌই অমুক হায়। মথংগী নুমিৎতনা থোইহেনগা গাবুংগা য়াইফবগা শিংজুবুং লৈরক্তা চৎহৌই অমুক হায়। থোইহেননে, থোইসননে, য়াইফবনে চৎহৌই অমুক হায়। থোইহেন, থোইসন, গাবুঙ, য়াইফবা চৎহৌই অমুক হায়। মথংদনা থোইহেনগা গাবুংগা য়াইফবগা কংজাবীদগীনা খুয়াথোং ফাওবগী মনুংদা চৎহৌই অমুক হায়। নোংমা নোংমগী শেমজিন শাজিনবা ৱাহৈ কয়া অসিনা য়াইফবা মীশিগা মরী লৈনদবা অঙাং অনী অসিদা মরাল পীগে খনবীগনু। মীশি অসিগা অঙাং অনী অসিগা মরী লৈনদে।

*শেংদোকচরিবী :* **খুরাইজম (ওংবী) ইন্দিরা**

HL-P/9883/25 **খুরাইজম থোইহেন অমসুং থোইসনগী মমা, থাংমৈবন্দ, ইম্ফাল।**

### সেরেনা শোকপদগী চিনা টুর্ণামেন্টতা শরুক য়াররোই

হোং কোং, সেপ্টেম্বর ২৪ :
গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ২২রক ওইখ্রবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী লেঙবান্দা অশোকপা লৈবদগী লাক্লিবা চিনা টুর্ণামেন্টতা শরুক য়াররোই হায়না ইরাই নুমিৎতা লাউ থোকখ্রে। ৱিল্লিয়মসনা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা হায়, দোংফেং মোটোর ৱুহান ওপন নৎত্রগা চিনা ওপন হায়না খঙনরিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা ঐহাক্কী য়েৎথংবা লেঙবান্দা অশোকপা লৈবনা শরুক য়াবা ঙল্লোইদবা অসিদা পেন্দবা পোকই। ঐনা প্রেক্টিসশিং তৌখি অমদি শান্নসু শান্নখি। অদুবু ঐগী লেঙবান অসি টুর্ণামেন্টদা শান্ননবগীদমক মতীক চাবা হায়বদুদি ওইদ্রি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ৱিল্লিয়মসনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপন মতুংদগী কোর্টতা থোক্তুনা শান্নরক্তিবনি। য়ু এস ওপন অদুদা মহাক্না চেক রিপব্লিককী কারোলিনা প্লিস্কোভাগী মখুৎতা সেমী ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী নম্বর ৱানদা লৈরম্বা রেঙ্কিংদুসু জর্মনগী চেম্পিয়ন এঞ্জেলিগ কার্বরনা মুনখিবনি।